# ওপরেসন্দা কম্মান্দোনা মীচম শোকহল্লোইদবনি দ্যুটিদা শোয়খিবা য়াওরবসু লাল্লে শেংদোক্কদবনি

*-হোম মিনিষ্টর*

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, জুন ১৪ঃ*** কম্মান্দোশিংনা কাউন্টর ইন্সরজেন্সি ওপরেসন চত্থবদা মীচম প্রজাশিং শোক্তনবা হোৎনগদবনি। করিগুম্বা শোয়খিবা-লানখিবা য়াওরবসু মদু শেংদোক্কদবনি, লোৎশিল্লোইদবনি। মদুনা হেন্না অফবা ওইগনি হায়না ঙসি হোম মিনিষ্টর শ্রী গাইখাঙম্না মীনুথোংদা লৈবা কম্মান্দো কমপ্লেক্স হকথেংননা য়েংশিনবা চৎখিবা খোঙচৎ অমগা মরী লৈননা ফোঙদোকখ্রে।

হোম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অদুদা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি হোম সুরেস বাবু, দিজিপি আর বরাল, এদিজিপি এলএম খৌতে, দিআইজি এল কাইলুন, ইম্ফাল ৱেষ্টকী এসপি জয়েন্তসু য়াওখি। মিনিষ্টরনা অয়ুক পুং ৮.৩০ তাবদা কম্মান্দো কমপ্লেক্সতা হেক থুংবগা কম্মান্দোগী কন্টিঞ্জেন্ট অমনা গেষ্ট ওফ ওনর পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা হোম মিনিষ্টর গাইখাঙম্না ফোঙদোকখিবদা মীয়াম্না নুংশিবিদুনা অমুক হন্না লমদম অসিদা কংগ্রেস সরকার হল্লক্লে। সরকার অসিনা মহাকপুসু থাজবদগী হোমগী ফম পায়হল্লে। ফম অসি পায়বা থা অনিরোম হেঞ্জিল্লক্লে। মহাক্কী মায়কৈদগীদি দিপার্টমেন্ট অসিদা করিগুম্বা মখলগী অৱাৎ-অপা অমত্তা লৈহন্দনবা হোৎনগনি। মসিনা দিপার্টমেন্টকী মেছিনরি ওইরিবা ফোর্সশিংনসু পুকচেল শেংনা, দিসিপ্লিন লৈনা মীয়াম অমদি লমদম অসিগী য়েংদুনা মতেং পাংবীয়ু। অফবা দিপার্টমেন্ট অমা হায়বদু ওইহনসি।

য়ুনিফোর্মগী সার্ভিস অসি মীয়াম প্রজাগীনি। মরম অদুনা জৱানশিং দিসিপ্লিন লৈনা, থৌনা লৈনা থবক তৌবা চংই। দিসিপ্লিন লৈত্রবদি ফন্না ত্রেনিং তৌরবসু অরেম্বা তাগনি। সিদিওশিংগী মরক্তা দিসিপ্লিন লৈতবদগী ৱাথোক লাহোক থোরকপগী পাউ হেক হেক তাই। মসি থোকহনগুমসি।

অমেরিকাগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা বিন ক্লিন্টন্না অরানবা থবক অমা লোন্না থুপ্না তৌরম্বদু মীয়াম খঙনরকপদগী মশানা লাল্লে হায়জখি। মহাক্কী অশেংবা পুকচেলদা মীয়াম্না মহাকপু অমুক হন্না প্রসিদেন্ট ওইনা খনখি। মরম অদুনা কম্মান্দোশিংনা শোয়খিবা -লানখিবশিং লোৎশিনবগী মহুৎতা হায়দোকপনা ফৈ। ফেলর ইজ দি পিলর ওফ সক্সেস হায়নরিবনি।

লমদম অসিগী কম্মান্দোশিং হৈথোই-শিংথোইবা, মথৌনা লৈবা অমসুং রোয়েলিটিতা লৈবাক অসিদা মমিং লৈরিবনি। মসি সিদিও শিংনা মাংহন্দনবা হোৎনসি। হৌজিক লৈরিবা লমদম অসিগী ফিভম অসিদা য়ুনিফোর্মগী দাইত্য চাওই। মসি খঙনা সিদিওশিংনা থবক তৌসি হায়খি।

হৌজিক লৈরিবা কম্মান্দো কমপ্লেক্সকী ফিভম মতমগা চানদ্রে হায়দুনা লম্ফেলদা কম্মান্দোশিং লৈনবা লম একর ১০০ রোম চাওবা মফম অমা রিজার্ব তৌদুনা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক চথরি। হৌজিক কমপ্লেক্সতা লৈরিবা ফেমিলি লাইনগী ফিভম অসিসু নুংঙাইবা ওইদে। ফেমিলিশিংসু তৌরিবা দ্যুটি অসিনা চেকশিন্না লৈতবা য়াদে। কমপ্লেক্স অসিগী লোয়শিন্দনা লৈরিবা ফেন্সিং লোয়শিন্নবা ইন্সত্রক্সন পীখ্রে। ফেমিলি লাইনলোমগী গেটসু লোয়শিন্নবা খঙহনখ্রে। ফেমিলি লাইন্দা লৈরিবা কম্যুনিটি হোল অমসুং দ্রেনসু অথুবা মতমদা শেমজিল্লগনি হায়খি।